www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক

SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

Volume No: 44 Issue: 065 | IMPHAL FRIDAY 31 JANUARY 2020 | ইরাই, ফাইরেনগী ৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

হোৎনবনা তান চানরুবগা থেংনরুবা মতমদা লাইবক ফবা হায়বদু থোকই

## হেক্তা হায়জিনবা

### ওন লাইন্দা তৌরসি

থৌদোক ৱাখোল্লা কুংবনে
ফাংজিন্নবনা য়াম্বনে
মতম্না মতম চিনবনে
থৌদোক ৱাখোক পাম্বাসে
কোকপী ফজনা ঙাওনরে
উপায় অমা হৌদোকসি
ন্যু আইদিয়া পুথোকসি
কোইচেন চেনবা লেপ্পবা
মতমসু কয়া মাঙদনবা
চেবাও পীবসু ৱাদনবা
পোৎয়েং পীবসু লায়নবা
থৌদোক শীনবা ৱাদনবা
চেবাও ফংবসু ৱাদনবা
উপায় অমা হৌদোকসি
ন্যু আইদিয়া পুথোকসি
চেবাও মোবাইলদা পীরসি
চেবাওদা একাউন্ট নম্বর হাপ্পসি
ওন লাইনদা চেবাও পীরসি
ওন লাইনদা পোৎয়েং কাপ্পসি
ওন লাইনদা তৌরসি ঙম্মক

## লোইরেদনা




# কেরলাদা মীওই অমা কোরোনাভাইরসনা নারে

থিরুভানন্থপুরম, জনুৱারি ৩০ (এস এন এস)ঃ ইনি দয়াদা ইহান হানবা ওইনা কেরলাদা মীওই অমা কোরোনাভাইরসনা নারে হায়বা চপ চানা খঙলে। মীওই অসি চাইনাগী ৱুহান য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্বা মহৈরোই অমনি। অনাবা অসি ফীভমদি ফরি। হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা মিং চনশিন্দুনা থমখ্রে।

মাইক্রো ব্লোগিং সাইটতগী টুইটরদা কেরলাগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অনাবা অমা টেষ্ট তৌবদা নোভেল কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন পোজিটিভ ওইরে। মহাকপু আইসোলেসনদা থম্লে। ইনফেক্সন তৌরবা অনাবা অসি ৱুহান য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইনি। ফীভম অসি কুপ্পা শেন্নরি। হেল্থ মিনিষ্টরনসু ফীভম অসিগী মতাং দা মরিক চুন্না পাউদম্লে। চেকশিননিঙাইহিদি ওই হায়ববু পাখৎনিংঙাইহিদি ওইদে। হৌজিক লৈরিবা হেল্থ নেটৱার্ক অসিনা হকশেনগী অথু-অকাই থোরকপদা থেংনবা ঙমগনি। কন্টেক ট্রেনিং, কেস আইসোলেসনল, ক্বালিটি ক্যার এন্দ কম্যুনিটি এঙ্গেজমেন্টনচিংবা থৌরাং লৌখৎলে। সোসিয়েল মেডিয়াদা তোকঙা শন্দোকপা থিংনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না মখা তাখি।

কেরলাগী হেল্থ মিনিষ্টর কে কে শৈলাজানা হায়খি, সেম্পল ২০ থাবদা অমা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। অনাবা অসি চাইনাগী ৱুহানদগীনি। মহাকপু থ্রিসুর জেনরেল হোস্পিটালদা আইসোলেসন তৌদুনা থমখ্রে। নুপীমচা অসিগী ফীভম নুংঙাইনিঙাই ওইদে।

য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেফিয়ার মিনিষ্ট্রিগী স্পিসিয়েল সেক্রেটরী সঞ্জিভ কুমারনা ভাইরস অসি লৈবাকসিদা শন্দোরক্তনবা এয়ারপোর্টশিং অমদি হোস্পিটালশিংদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু নৌহৌনা রিভিয়্যু তৌখ্রে। মিটিং অদু ষ্টেটশিংগী সেক্রেটরীশিং অমদি এয়ারপোর্ট হেল্থ ওর্গনাইজেসন ওফিসারশিংগা লোয়ননা ভিডিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবনি।

স্পিসিয়েল সেক্রেটরী কুমারনা হায়খি, ষ্টেটশিংনা লম লমগী মেডিয়াগী খূত্থাংদা মীয়াম্না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লুবা চেকশিন থৌরাংশিং ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াগদবনি। প্লেনশিংগীদমক্তদি লায়ওংশিং পেসেঞ্জরশিংদা খঙহন্নবগীদমক্তা ইন ফ্লাইট এনাওন্সমেন্ট তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। কোল সেন্টরশিং, হেল্প লাইন নম্বরশিং টি ভি, রেডিও, প্রেস রিলিজ সোসিয়েল মেডিয়া অমদি অতৈ চেন্নেলশিংদা পাক-শন্না খঙহনবগী তঙাইফদবসু মহাক্না পনখি।

এয়ারপোর্টশিংদা থর্মেল এন্দ সিমটোমেটিক স্ক্রিনিংগী থবক হৌহনখ্রে। ইম্মিগ্রেসন ওফিসারশিং অমদি অতৈ ষ্টাফ মেম্বরশিং সেন্সিটাইজ তৌরে। এয়ারপোর্টশিংদা দিদিগেটেদ এম্বুলেন্স থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে। সেন্ট্রেল টিম তরেৎনা ষ্টেটশিংদা চৎতুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবশিং অদু য়েংশিনখ্রে হায়না স্পিসিয়েল সেক্রেটরী কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

হোস্পিটালশিংদা আইসোলেসন ৱার্দ শেম-শাদুনা থম্লে। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পার্সোনেল প্রোটেক্সন ইকুইপমেন্ট অমদি মাক্স মরাং কায়না ফং হনখ্রে। এয়ারপোর্টশিংগীদমক্তা টেরসিয়ারি হোস্পিটাল খন্দোক্লে। চিংনবা লৈরকপদা সেম্পল খুদক্তা লৌদুনা পুনেগী এন আই ভিদা থানবা থৌরাং লৈরে।

চাইনাদা লৈবা ইনিদ্দয়াগী এম্বেসিনা কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা হুবৈ প্রোভিন্সতগী ইন্দিয়াগী সিটিজনশিং হোন্দোক্লবগী থৌরাং হৌখ্রে। এম্বেসিনা হুবৈ প্রোভিন্সতগী ইন্দিয়ান সিটিজন হোন্দোক্লবা কন্না হোৎনরি। হুবৈদা লৈবা মহৈরোই য়াওনা ইন্দিয়ান কম্যুনিটিগসু পাউ ফাওনরে হায়না বৈজিংদা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসিনা ফোঙদোক্লি। এম্বেসিনা হোন্দোক্কদৌবা ইন্দিয়া মচাশিংগী লিষ্ট শেম্বা লোইরে। হুবৈ প্রোভিন্সতগী হোন্দোক্কদৌবা থবক তৌবা মীওইশিং অমদি মহৈরোইশিংগী মশীং অসি ২৫০ গী মথক্তনি।

চৈরক অসিদা, চাইনাদা কোরোনাভাইরসনা শিবগী মশীং ১৭০ য়ৌখ্রে অদুগা ৬০০০ হেন্না ভাইরস অসিনা নাহল্লে হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। বৃটিশ এয়ারৱে য়াওনা মেজর এয়ারলাইনশিং চিনাদগী পাইথোক-পাইশিন তৌবা লেপখ্রে। রসিয়াগী ওইনসু চাইনাগা তায়নবা ঙমখৈ থিংজিনখ্রে হায়রি।

# মণিপুরগী শক্তম, শকওং শোল্লক্কদবা এক্ট অমত্তা শেম্বা য়ারোই: কোকোমি

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী শক্তম, শকওং, লৈঙাক্লোন অমদি খুন্নাইলোনদা হৌজিক অমদি তুংদা শোল্লক্কদবা মখলগী বিল অমদি এক্ট অমত্তা মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা এমেন্দ নৎত্রগা এক্সটেন্দ তৌরকপা য়ারোই হায়না কোকোমিনা অকনবা ৱাফম থম্লক্লি।

কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিটি (কোকোমি)গী এসিষ্টেন্ট মেদিয়া কো-ওর্দিনেটর জিটেন্দ্রা নিংঙোম্বনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হিংমিন্নরিবা মশেল তুংইওনরম্লগা অতোপ্পগা নুংশিনগনি হায়বা ৱাখল্লোন থাদোকসি। লমদম অসিগী হৌখিবা পুৱারিগী তাংকক কয়াদা খুদোংথিবা কয়া য়াওখিদুনসু ইরমদম অসিবু কনগনি হায়বা অশেংবা মচা কয়া থোরক্তুনা মাঙলুরবা ইকায়খুম্নবা কয়া অমুক হনজিল্লক্তুনা চীংমী তম্মীগী মুৎপা নাইদ্রবা ৱারী শিংবুল য়াওনা পাল্লকখিবগী ৱারী ঙসিসু চিম্থাং খোম্থাং য়ৈদুনা লৈরি।

থেংখাং কয়াদা থোকখিবা ফংখিবা খুদোংথিবশিং অদুগী মরুমদা লমদম অসিগী শাগেগী মৈতাল অশিবা মচা কয়াগী চিরোল অদুমক লোয়দুনা লৈরম্মী হায়বসি পুৱারীনা তাক্লি। অদুগুম্লবা পুৱারীদা অমোৎপা তৈশিনবা থৌদোক থৌশিলশিং অমুক হন্না ঙসিগী মীরোল অসিনা তৌবিদনবা কোকোমিনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা চহী কয়াদগী ইরৈপাক ইরমদম অসিগী অপুনবগী শক্তমদা অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা অকায়বা পীবা য়াবা থবক থৌরম থৌশিল অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়না কোকোমিনা মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা লাওদুনা লাক্লি। ঙসি লমদম অসিদা

...মখা লমায় ৩দা...

# এম সি এস ওফিসার ১গী লুহোংবা থিংখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ (এস এন এস)ঃ হয়েং পাঙথোক্কদবা এম সি এস ওফিসার অমগী লুহোংবা ফেমিলি কোর্ট থৌবালনা থিংখ্রে অমসুং রিট্টন ওবজেক্সন অমদি হিয়ারিং ফেব্রুৱারি ৬ তা চত্থনবা কোর্টনা মতম লেপখ্রে।

হায়রিবা কোর্টকী অথিংবা অদু ককচিংদগী নুপী অমনা মহাক্কী অপোকপীগা লোয়ননা এম সি এস ওফিসার অমদি মহাক্কী ইমুং অমসুং লুহোংগদৌরিবী অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মায়োক্তা থারকখিবা জুদিসিয়েল মিসসেল্লেনিয়স কেস অমা ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা তৌরকখিবনি।

হায়রিবা ফাইল সুইট তৌরকখিবা নুপী অদুগা এম সি এস ওফিসারনি হায়রিবা নুপা অদুগা কুমজা ২০১৪ দা দিল্লিদা থেংনখিবদগী নুংশিনরকখিবনি অমসুং লুহোংগনি হায়বগী থাজবা পীদুনা য়ুম্নানবগী মরী থম্বগা ৱারোইপোৎ পুখ্রবনি। অদুম ওইনমক এম সি এস ওফিসার

...মখা লমায় ৩দা...

# মণিপুর এসেমব্লি মীফম ফেব্রুৱারি ১৪ দগী হৌরগনি

## দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল ঙনখৎহন্নবা হিল এরিয়া কম্মিটিনা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০(এস এন এস)ঃ ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১০ শুবা সেসন লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৪গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদগী চত্থনবা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা এসেমব্লি সম্মোন তৌখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরী এম রমনি দেবীনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

অতোপ্পা পাউ অমনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিতিগী মীফমনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখলগী মতম অসি নবেম্বর থাদ পাঙথোক্লবা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিতিগী জনুৱারি ১৬ তা পাঙথোকখিবা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপশিংগা মরী লৈননা টি থাঙজালম হাউকিপনা খূৎয়েক পীদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটনা থোকখিবা চেরোল অমনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল অসি পার্টিদা য়ুম্ফম ওইদবা মীখল অমা ওইহন্নবা রিকমেন্দ তৌরে। এ দি সিগী মীখল অসি মণিপুরদা

...মখা লমায় ৩দা...

# আই এম সি সস্পেন্দ তৌবগী ওর্দর ককখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোওপরেসন (আই এম সি) মথৌ তৌহনদনা থা তরুক থম্লকপা অদু মখা তানা থা তরুক অমগা মথৌ তৌহনদনা থন্নবা লৈঙাক্কী য়াথং অদু হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা ককখ্রে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মহুদ দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরেটরীনা হৌখিবা জনুৱারি ১৫ দা থোকখিবা ওদর অদুগা মরী লৈননা জনুৱারি ২৩ দা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবা ওর্দর অদু ঙসি লাউথোকখিবনি হায়রি।

কোর্পোরেসন অসিগী মেয়রগী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা থাজদবগী মোসন অদু থা অসিগী ১৫ দগী পারগা চয়োল অনীগী মনুংদা পাঙথোক্লনবা য়াথংসু কোর্ট অসিমক্তা জনুৱারি ১৭ দা পীখ্রবনি। য়াথং অসিনা আই এম সি সস্পেন্দ তৌদুনা থম্বগী মতম লোইখ্রে। নো কনফিদেন্স খন্নদবা য়াররোই।

# শ্যামকুমারগী হিয়ারিং ফেব্রুৱারি ৪দা লেপখ্রে

## স্পিকরগী ট্রিবুনেলনা এম এল এ ৭কী হিয়ারিং ফেব্রুৱারি ১১ দা লেপখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি৩০(এস এন এস)ঃ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট, মাহুদ অমসুং টাউন প্লানিংগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা থারকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস ১৫গী ফাইনেল হিয়ারিং লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৪ দা চত্থরগনি। কোংগ্রেসতগী কাররুগা বি জে পিদা য়াওখ্রবা এম এল এ ৭কীনা ফেব্রুৱারি ১১দা লেপখ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলনা নোটিস থোক্তুনা এম এল এশিং টি এন হাউকিপ, এম দি ফজুর রহিম, কে মেঘচন্দ্র, আর কে ইমো, ডা. চালটনলিয়ান অমো, য়ামথোং হাউকিপ, কে রঞ্জিৎ, এম দি অব্দুল নাসির, কে ঐচ জয়কিষন, দি দি থাইসি, ও হেনরি, সুর্যকুমার ওক্রম, এ কে মিরাবাই, অলফ্রেন্দ কাঙম অর্থর অমদি কে গোবিন্দাসনা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা থারকখিবা তোঙান তোঙানবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংগী হিয়ারিং অসি পুলপ পুনশিল্লগা ফেব্রুৱারি ৪ দা অরোইবা হিয়ারিং চত্থরগনি হায়রি।

কেসশিংগী ফাইনেল হিয়ারিং চত্থগবা অসি য়েংলগা পার্টিশিংনা অহেনবা চে চাংশিং পীশিনগদবা লৈরবদি ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবগী মনুংদা ওফিস অৱারদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না পল্লি।

অমরোমদা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলদা লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী টিকেটতা মায় পাক্লুগা বি জে পিদা য়াওশিনখ্রবা এম এল এ ৭ ৱাঙ্গোই এ সিগী এম এল এ ও লুখোই, লম্লাই এ সিগী এম এল এ কে এস ঐচ বিরেন, ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পি ব্রোজেন, কুম্বী এ সিগী এম এল এ সনসম বীর সিংহ, সাইতু এ সিগী এম এল এ ঙমথং হাউকিপ, সিংহাট এ সিগী এম এল এ গিনসুআনহাউ অমদি ককচিং এ সিগী এম এল এ ৱাই শুরচন্দ্রগী মথক্তা থারকপা তোঙান তোঙানবা কেস ১৫ গী হিয়ারিংসু ফেব্রুৱারি ১১গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা লেপখ্রে।

মসিগীদমক কেস অসিগী পার্টি ওইরিবশিংনা অইবা ষ্টেটমেন্ট নৎত্রগা রিপ্লাই অমদি দোক্যুমেন্টশিং পীশিনগদবা লৈরবদি ফেব্রুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা ওফিস অৱারদা ত্রিব্যুনেল অসিদা পীশিনলক্লুবা খঙহনখ্রে।

এম এল এ ৭ অসিগী মথক্তা থারকপা দিসক্বালিফিকেসন কেস ১৫ অসিগী মনুংদা ৱাঙ্গোই এ সিগী এম এল এ ও লুখোইগী মথক্তা খুরাইজম দোরেন্দ্রো সিংহ, কে ঐচ বসন্তকুমার অমদি এম এল এ

...মখা লমায় ৩দা...


# ওফিস ওফ দ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার

## গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, লম্ফেলপাৎ

### নোভেল কোরোনাভাইরস (2019 nCoV) : মতাংদা খঙহঞ্জবা : চেকশিন থৌরাংশিং

**২০১৯ কোরোনাভাইরস করিনো?**

২০১৯ কোরোনাভাইরস নৎত্রগা ২০১৯ নৎত্রগা 2019 nCoV অসি নিংশা হোনবগী অনাবা থোকহনবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অমনি। মসি অহানবা ওইনা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সতা লৈবা ৱুহান সিটিদা ২০১৯ গী দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা শকখঙলকখি।

**কোরোনাভাইরসকী লায়ওং* করি করিনো?**

লায়ওংশিংগী মনুংদা লায়হৌ হৌবা, লোক থুংবা, নপ-তিন চোবা, খনাও নাবা, নিংশা থবেৎ থবেৎ হোনবগা লোয়ননা য়ান্না কন্দবদগী অকনবা ফাওবগী নিংশা হোনবদা অৱাবা ওইবা য়াওরি।
*লায়ওংশিং অসি নারবা মী অমগা নকশিন্না শন্নরুরবা মতুং নুমিৎ ২-১৪ গী মতুংদা উৎলকপা য়াই।

**করন্না শন্দোকই?**

লায়না অসি মপূং ওইনা অনাবা মী অমদগী অতোপ্পা অমদা নুংশিৎনা লোক খুবা নৎত্রগা হাকথি খনবা অমদি শোক্ল-শন্নরুবা (শোক্লবা নৎত্রগা খূৎ শন্নবা) দা শন্দোকই।

**কোরোনাভাইরসনা ইনফেক্সন তৌবদগী থিংনবা হোৎনবদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং**

| তৌগদবশিং | তৌরোইদবশিং |
| --- | --- |
| ■ নিংশা হোনবগী তোংশা পরিংদা নাবশিংনা লোক খুবা মতমদা তৌগদবশিং<br>– মীয়ামদগী লাপথোকউ।<br>– টিশু পেপর নৎত্রগা ফিনা খুমজিল্লগা লোক খু অমদি হাকথি খল্লু। | ■ অদোম্না মথক্কী লায়ওংশিং অসি লৈরবদি মীয়াম তিনবা মফমদা চৎপিগনু। |
| ■ খূৎ-শাশিং য়ামদ্রবা সেকেন্দ ২০ চঙনা সাপোন শীজিন্নদুনা চামথোকউ নৎত্রগা অলকোহোল বেজ হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নৌ। | ■ মীয়াম তিনবা মফমশিংদা লোক-তিন শিত্তোকপিগনু। |
| ■ অদোম নারবদি য়ূমদগী চথোক্তনা লৈয়ু। | ■ চেকশিন্দবা ফার্ম নৎত্রগা লন্নক্কী শা-উচেকশিং শোক-শন্নবিগনু। |
| ■ মেডিকেল টিমনা ৱারী-ৱাতাই শাবা অমদি হকচাং চ্যেক তৌবদা মতেং পাঙবিয়ু। | ■ খূৎ-শা হামদোক্তনা অদোমগী মীৎ-নাতোন অমদি য়া শোকপিগনু। |
| ■ লু-নান্না লৈবিয়ু। | ■ নারবা মীগা নকশিন্না শোক্ল-শন্নবিগনু। |

**শেম শাবা অমসুং থেংনবা**

- ফীভম অসি মণিপুরগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী আই দি এস পিনা কুপ্পা শেন্নরি।
- আই দি এস পি, এন সি দি সি, এম ও ঐচ এফ দব্লিউগা খ্বাইগী নৌবা পাউ অমদি চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা আই দি এস পি, ষ্টেট টিমনা তোয়না অমসুং হকথেংননা সেন্ট্রেল সর্ভেলেন্স য়ুনিটকা পাউ ফাওনরি।
- কংফালগী লম্বীদা চঙফম লৈবা অমদি এয়ারপোর্ট লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী হেল্থ ওথোরিটিশিং জনুৱারি ১৮, ২০২০ দগী হৌনা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈখ্রে।
- এম ও ঐচ এফ দব্লিউ, জি ও আইনা প্রেসক্রাইব তৌবা ফোর্মেটতা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা নুমিৎ খুদিংগী থারকপা রিপোর্ট সেন্টরদা নুমিৎ খুদিংগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ দা থারি।
- রিমস অমদি জেনিমস চিংনবা কেসশিং লায়েংনবগীদমক আইদেন্টিফাইদ তৌরে। খুদোংচাবশিং লৈরবা আইসোলেসন রুম, ৱার্দসু আইদেন্টিফাইদ তৌরে।
- কংফালগী লম্বীদা চঙফম লৈবা মফমশিং অমদি ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা ফিভর স্ক্রিনিং তৌবগী থবক চত্থরি।
- পার্সোনেল প্রোটেক্টিভ ইকুইপমেন্ট (পি পি ই) অমদি ভাইরেল ট্রান্সপোর্ট মেডিয়া (ভি টি এম) ন্যু দিল্লিগী এন সি দি সিদগী এয়ারলিফট তৌরে।

**ঈ-পাউ খঙনীংবা লৈরবদি পূং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌরিবা কন্ট্রোল রুমগী নম্বর +91-3852411668 তা চানবিদুনা রিং তৌবিরকউ**

SL/B/31